# বাজপায়ীগী অরোইবা খোঙচৎ হৌখ্রে, ইকায়খুম্নবা উৎনবা মীওই লীশিং কয়া থোমজিন্নরকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১৭ ঃ***

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারি বাজপায়ীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদুবু পুরিবা গন কেরিয়েজ অদুগী মতূং ইন্নরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চৎলদুনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী মথৌ মঙমগী অরোইবা খোঙচৎ অদুদা মীওই লীশিং কয়ানা শরুক য়াখ্রে।

ঙসি বাজপায়ীগী লৈখিদবগী অরোইবা লাইশেনগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা রাজট্রিয়া স্মিরতি স্থাল তম্না লাক্লিবা কেরিয়েজ অদুগী মতূংদা বি জে পি চীফ অমিত সাহ, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়ামরুম অমসুং পার্টি লুচিংবশিংসু তুমিন্না ৱা ঙাংদনা মতূং ইন্নদুনা চৎখি।

মশাগী চহী ৯৩ শুখ্রবা লৈবাক অসিগী তোমথিন ঙানবা লুচিংবা অসি মতম কুইনা নারম্লবগী তুংদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ন্যু দিল্লিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এ আই আই এম এস) তা লৈখিদবনি।

অরোইবা খোঙচৎ অদুদা য়াম্লবা মীয়াম অমনা লৈ চাইথখি অমসুং মহাক্কী মশক অমুক্তং উহৌনবা হোৎনবদা মীয়াম্না কৃক-কৃক ইন্নখি।

ঙসি অরোইবা মতম অদুগীদমক হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারি বাজপায়ীনা ময়ূম থাদোক্কুনা লাকখিবদা মীওই চা কয়ানা অতল বিহারি অমর রহে হায়বা খোল্লাওশিং লাওখি। সিটি অদু ফাওরদুনা মহাক্কী হকচাং অদু বি জে পি হেদক্বার্টরস ফাওবা পুরকখি অমসুং মফম অদুদা য়াম্লবা মীয়াম্না মহাক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লৈখিদবা বাজপায়ীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদুবু পুরকপা নীংথিজনা লৈতেংবা গন কেরিয়েজ অদু কৃষ্ণ মেনন মার্গদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদগী অয়ূক পূং ১০ রোম তাবদা খোঙশানবা হৌরকখি অমসুং অয়ূক পূং ১১ রোম তাবদা কিলোমিটর ৫ রোম লাপ্লদা লৈবা দীন দয়াল উপধ্যায় মার্গদা লৈবা পার্টিগী হেদক্বার্টরসতা থুংখি। মফম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিত সাহ অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিং অমসুং পার্টি ৱার্করশিংনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অদুগী মফমদা মখোয়গী অরোইবা ইকায়খুম্নবা উৎনবা পুনখি।

লৈখিদ্রবগী অরোইবা মথৌ মঙমগীদমক চৎলিবা খোঙচৎ অদু নুংথিল পূং ১ তাবদা বি জে পি হেদক্বার্টরস থাদোক্কনি অমসুং রাজট্রিয়া স্মিরতি স্থালদা নুংথিল পূং ৪ দা অরোইবা লাইশোন পাঙথোক্কনি।

মসিগী মমাঙদা ঙসি অয়ূক কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, অন্ধ্র প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদু, নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবাল, আর্মি চীফ বিপীন রাৱাত, চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফ এদমিরেল সুনিল লানবা অমসুং আর এস এস চীফ মোহন ভগৱতনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী মহাক্কী ওফিসিয়েল রেসিদিয়েন্সতা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

অরোইবা মথৌ মঙমগী চাউরবা খোঙচৎ অদুগী য়েংদুনা ঙসি লৈবাক্কী কোনুং অসিদা মীয়াম চখোক-চৎশিন তৌবা থিংজিনখ্রে।

ঙসি অয়ূক পূং ৮ দগী কৃষ্ণ মেনন মার্গ, সুনেহ্রি বাঘ রোদ, তুঘলক রোদ, আকবর রোদ, তীস জনুৱারী ভার্গ, মান সিংহ রোদ, ভগৱান দাস রোদ, শাহজহান রোদ অমসুং সিকন্দর রোদনচিংবা লম্বী কয়া থিংজিনখি।

দি দি য়ু মার্গ, আই পি মার্গ, বি এস জে মার্গ (তিলক ব্রিজদগী দিল্লি গেট) ফাওবা, জে এল এন মার্গ (রাজঘাটতগী দিল্লি গেট) ফাওবসু থিংজিনগনি হায়না ট্রাফিক পুলিসনা হায়খি।

# হন্দক্কী মোনসুনদা ষ্টেট ৭ তা নোং অমসুং ঈচাওদা মীওই ৮৬৮ শিখ্রে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১৭ ঃ***

হন্দক চহীগী মোনসুন সিজনদা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট ১০ দা নোং চুবা, ঈশিং ঈচাও অমসুং লৈবাক নীংখাইবগী থৌদোকশিংদগী কেরলাদা মীওই ৪৭ য়াওনা পূন্না মীওই ৮৬৮ শিখ্রে হায়না ঙসি ইরাই নুমিত্তা হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।



হোম মিনিষ্ট্রিগী নেস্নেল ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স সেন্টর (এন ই আর সি) গী মতূং ইন্না কেরলাগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪ দা নোং অমসুং ঈচাওনা শোকহনখিবা লোয়ননা মী ২৪৭ শিখি অমসুং হেক্তর ৩৫,৫০০ হেনবগী মহৈ-মরোং মাঙ তাকখি।

উত্তর প্রদেশতা মী ১৯১, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মী ১৮৩, মহারাষ্ট্রদা ১৩৯, গুজরাটতা ৫২, অসামদা ৪৫ অমসুং নাগালেন্দদা ১১ শিখি।

পূন্না মীওই ৩৩ সু থিবা খঙদনা লৈরি। মদুগী মনুংদা কেরলাদা ২৮, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ৫ নি। মসিগা লোয়ননা ষ্টেটশিংদা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ২৭৪ অশোক-অপন নংখি।

কেরলাগী রিলিফ কেম্পশিংদা মীওই লাক্ষ ২ রোম লৈরি। ষ্টেট অসিদা রেস্ক্যুয়র ২০০ রোম য়াওবা নেস্নেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) কী টিম ৪৩ অমসুং হি ১৬৩ শীজিন্নরি।

ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সনা হেলিকোপ্টর ২৩ অমসুং ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ্ট ১১ শীজিন্নখি। মদুগী মনুংদগী এয়ারক্রাফ্ট খরদি কর্নাতকাগী য়েলাহঙ্কা অমসুং মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদগী পাইরকখিবনি।

ইন্দিয়ান নেভিনসু দাইভিং টিমশিং অমসুং লাইফ জেক্কেট ১,০০০ গা লোয়ননা হি ৫১ শীজিন্নখি। মসিদা নত্তনা ঙসি কেরলাদা গমবুট ১,৩০০ থুনা য়াংনা পুশিনখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা ইন্দিয়ান নেভিনা রেস্ক্যু ওপরেসনশিংদা সোর্টি ১৬ লক পাইখ্রে অমসুং ঙসি চানবা চীঞ্জাক য়াওবা পেক্কেট ১,৬০০ নোংথক্তগী থাদরক্কনি।

কোষ্টগার্দনসু লাইফ বোয়স ১৪৪ অমসুং লাইফ রাফ্টস ৭, লাইফ জেক্কেট ৩০০ অমসুং রেস্ক্যু টিমশিংগা লোয়ননা হি ৩০ শীজিন্নখ্রে। ইন্দিয়ান আর্মিনা মখোয়গী কলম ১০, ইঞ্জিনিয়ারিং তাস্ক ফোর্স ১০, হি ৬০ অমসুং লাইফ জেক্কেট ১০০ থাজিন্দুনা অৱাংবা তেংবাঙগী থবক চৎখি। কেরলাদদি টেরিতোরিয়েল আর্মিগী য়ুনিট অমসু তেংবাঙগী থবক্তা শরুক য়াখি।

অসামদা নোং চুবা অমসুং ঈচাওনা মীওই লাক্ষ ১১.৪৫ খুদোংথিবা তাহনখি অমসুং লম হেক্তর ২৭,৬০০ তা মহৈ-মরোংশিং শোকহনখি। অসামদা রেস্ক্যু অমসুং রিলিফ ওপরেসনশিংদা রেস্ক্যুয়র ৩৫৭ না শাবা এন দি আর এফ কী টিম ১৪ না থবক তৌখি হায়না এন ই আর সি না হায়খি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ঈশিং ঈচাওনা মীওই লাক্ষ ২.২৭ শোকহনখি অমসুং লম হেক্তর ৪৮,৫৫০ দা ফাওবা মহৈ-মরোং শোকখি। উত্তর প্রদেশতা কুমগী নোংজুনা মী লাক্ষ ১.৭৪ খুদোংচাদবা মায়োক্কহনখি অমসুং হেক্তর ৩৩,৮৫৫ গী মহৈ মরোংশিংসু শোকহনখি। উত্তর প্রদেশতা এন দি আর এফ টিম ৯, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ৮, গুজরাটতা ৭, মাহারাষ্ট্রদা ৪ অমসুং নাগালেন্দদা ১ শীজিন্নখি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পূঞ্চ সেক্তরদা লৈবা এল ও সি পরীংদা পাকিষ্টান লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা সিজফাইয়ার থুগাইরকখ্রে



***জম্মু, শ্রীনগর, আগষ্ট ১৭ ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পূঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান অনীগী মরক্তা থল্লিবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) পরীংদা লৈবা ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ পোষ্টশিংদা ঙসি নুমিদাং পাকিষ্টান আর্মিনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা সিজফাইয়ার থুগাইরকখ্রে।

দিফেন্স লীখুনশিংনা ফোঙদোকপদা পূঞ্চ সেক্তরদা লৈরিবা এল ও সি গী পরীংদা ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ পোষ্টশিংদা পাকিষ্টানগী লান্মীশিং অদুনা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়খি।

মদুদা হায়রিবা ঙমখৈগী শরুক অদু ঙাক শেল্লিবা ইন্দিয়াগী লান্মী ট্রুপশিংনসু খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখি হায়রি।

ইন্দিয়ান আর্মিগী নোর্দন কম্মান্দগী কম্মান্দর, লেপ্টিনেল জেনরেল রনবির সিংহনা এল ও সি অদুগী পরীংদা লৈবা ফোরৱার্দ এরিয়াশিং অদুদা চৎতুনা মফমদুদা লৈবা ফিল্ড কম্মান্দর অদুগা উন্নখি অমসুং মফমদুগী সেক্যুরিটিগী ফিভম অমসুং ইন্দিয়ান আর্মিশিংগী ওপরেস্নেলগী ওইবা থৌরাং তৌবগী মওং অদু অমুক হন্না য়েংশিনখি।

পাকিষ্টান লান্মী ট্রুপশিংনা ঙরাং নুমিদাং কুপ্ৱারা দিষ্ট্রিক্তা লৈবা তঙ্গধর সেক্তরদসু নোংমৈ কাপশিল্লকখি হায়না ওফিসারশিংনা ফোঙদোকখি।

মসিদসু নত্তনা পাকিষ্টানগী লান্মী ট্রুপশিং অদুনা ইন্দিয়াগী লান্মী ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এল ও সি পরীংদা লৈবা সিদাপোরা এরিয়াদসু লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা সিজফাইয়ার এগ্রিমেন্ট থুগাইরকখি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা মখা তাখি।

পাকিষ্টানগী লান্মী ট্রুপশিংনা চখরক্লিবা সিজফাইয়ার থুগাইবগী থৌওং অদুগী মায়োক্তা ইন্দিয়ান আর্মিনসু মতিক চাবা খোঙথাং লৌখৎতুনা খূৎ হনখি অমসুং নাকল অনীগী মরক্তা মরক-মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোকখি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান আর্মিশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবা অদু ঙসি অয়ূক পূং ৫ দা লেপখি। নাকল অনীদা শোকপগী পাউ য়াওদে হায়না দিফেন্সকী লীখুনশিং অদুনা মখা তারি।

# ইন্দোনেসিয়াগী জাকার্টানা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াঙনা মখাদা লুপথখিবা সিটি অদু ওইরি

***বান্দুং, আগষ্ট ১৭ ঃ***

ইন্দোনেসিয়াগী জাকার্টা সিটিনা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াঙনা লৈখাদা লুপথখিবা সিটি অদু ওইরে হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এক্সপার্টশিংগী মতূং ইন্না জাভা সমুদ্রগী তোর্ব্বান্দা লৈবা, তুরেল ১৩ না ফাওদুনা চেল্লিবা চোৎ-চোৎ লাওবা লমদম অমদা লৈরিবা সিটি অসিদা য়াম্না তোয়না ঈশিং-ঈচাও থোক্লিবসি অঙকপা অমা নত্তে, মসি থোইনা হেন্নদুম শাথিবা হেল্লক্লি। কিনিংঙাই ওইরিবদি হৌজিক পাক চাওরবা সিটি অসি লৈখাদা চঙখিদুনা অসুম-অসুম মাঙখিবগুম তৌই হায়রি।

নোর্থ জাকার্টানা চহী খুদিংগী সেন্টিমিতর ২৫ রোমগী চাংদা লৈনুংদা লুপথরক্লি। বান্দুং ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা হৌখিবা চহী ২০ জাকার্টাগী লম লুপথখিবগী মতাংদা নৈনরক্লিবা হেরি এন্দ্রিসনা ফোঙদোকপদা জাকার্টানা লৈনুংদা লুপখিবা য়াবগী ওইথোকপা অসি ফাগি য়াবা নত্তে হায়রি।

ঐখোয়না করিগুম্বা ঐখোয়গী মোদেলশিং অসিদা য়েংবা তারবদি কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা নোর্থ জাকার্টাগী চাদা ৯৯ লৈনুংদা লুপথখ্রগনি।

চহী ১০ গী মতম মনুংদা নোর্থ জাকার্টানা মিটর ২.৫ লুপথখ্রে অমসুং কোষ্টেল মেগাসিটিশিংগীদমক গ্লোবেলগী এভরেজ ওইরিবা অদুদগী শরুক অনী হেন্না মফম খরদদি চহী ১ দা সেন্টিমিটর ২৫ ফাওবা য়৹না মখা তানা লুপথরক্লি।

জাকার্টানা চাংচত্তা চহী ১ দা সেন্টিমিটর ১-১৫ গী চাংদা লুপথরক্লি অমসুং সিটি অসিগী তঞ্খাই অমরোমদি হৌজিক সমুদ্র ঈমায়গী মখাদা লৈখ্রে। মসিগী ফল অসিমক নোর্থ জাকার্টাদসু খুদক্তা ফংলি।

মুৱারা বারু দিষ্ট্রিক্টতা ওফিস বিল্ডিং মপুম অমা হৌজিক থবক তৌবা য়াদদুনা হুন্দোক্তুনা থমখ্রে। মতম অমদা বিল্ডিং অসিদা ফিসিং কম্পনি অমা লৈরম্বনি। অদুবু মদুগী ফার্ষ্ট-ফ্লোর বেরেন্দা অদুখক্তমক থবক তৌবা য়াবা শরুক ওইনা লৈহৌরি।

হুন্দোক্তুনা থম্লবা ওফিস বিল্ডিং অসিগী গ্রাউন ফ্লোর অদু হৌজিক লৈনুংদা লৈখ্রে অমসুং ঈচাওগী ঈশিংনা পীক থন্না তুংদুনা লৈরে।

মফম অসিদগী গারীনা থৌবদা মিনিট ৫-৬ চঙবা অহাঙবা মফমদা কৈথেল ওইবা ঙাগী কৈথেল অমা লৈ। চহী-চহী খুদিংগী মফম অসিগী লৈমায় অদু মথং-মথং লুপথখি। ঙাগী কৈথেল অদুগী ফাউন্দেসনদা অচৌবা লৈক্রক অমা লৈবা উরে।

হিথাংফম সিটি অমা ওইরম্বগী ইতিহাস লৈবা নোর্থ জাকার্টাগী লৈবাক অদু শাথিনা নেমথরকখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবসু মফম অসিদা ইন্দোনেসিয়াগী খ্বাইদগী হেন্না থবক চিনবা হিথাংফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা তাংজুং প্রিয়োক হায়বদু লৈ। জাভা সমুদ্র তন্না চেন্থরিবা সিলিৱুং তুরেল চেল্লিবা য়াম্না মরু ওইবা মফম অসিদা ১৭ শুবা চহীচাদা দটচ কোলোনিশিংনা মখোয়গী চাওরবা ময়োল্লম শেমগৎনবা খনহলখিবদু মরম অসিমক্কনি।

ঙসি নোংম-নোংমগী শিথরক্লিবা হিথাংবমগী ব্যুজিনেসশিং, লায়রবা সমুদ্র তোর্ব্বানগী কম্যুনিটিশিং অমসুং ইনাক-কৈরাক খুনবা চাইনিজ ইন্দোনেসিয়ানশিংগী পুল্লপ য়ানশিন্নবা ম্যুনিসিপালিটি অসিদা মীওই মিলিয়ন ১.৮ লৈরি।

নোর্থ জাকার্টা অসিদা নত্তনা জাকার্টাগী লেমহৌরিবা মফমশিং অসিসু খরা তপ্পা চাংদা ওইরবসু মথং-মথং লৈখাদা চঙখ্রে। ৱেষ্ট জাকার্টাদা চহীগী ওইনা সেন্টিমিটর ১৫ গী চাংদা লৈনুংদা লুপথরক্লি, নোংপোক জাকার্টাদা চহীদা সেন্টিমিটর ১০, সেন্টর জাকার্টাদা সেন্টিমিটর ২ অমসুং খা থংবা জাকার্টাদা সেন্টিমিটর ১ গী চাংদা চহী খুদিংগী লৈনুংদা চঙখ্রি।

জাকার্টা উপ-সাগরগী অকোয়বদা খূৎশেমগী ঈথৎ ১৭ কা লোয়ননা শাগৎলিবা কিলোমিটর ৩২ গী সমুদ্র তোর্ব্বানগী ৱাল অমা ওইরিবা গ্রেট গেরুদানা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪০ গী শেনফমদা লুপথরক্লিবা সিটি অসিবু কনবা ঙমগনি হায়না ওথোরিটিজনা আশা তৌরি।

# সাউদি আরাবিয়ানা অৱাং নোংপোক সিরিয়াগীদমক য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ তেংবাঙখি

***দুবাই, আগষ্ট ১৭ ঃ***

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা মতম অমা খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা অৱাং নোংপোক থংবা সিরিয়াগী লমদমশিংদা তংদু লৈতাবা পুরক্নবা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিংগীদমক সাউদি আরাবিয়ানা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ গী শেনফম তেংবাঙ পীখ্রে হায়না লৈবাক অসিনা হায়রি।

ঙসি অঙনবদা ৱাসিংতনদা লৈবা সাউদি ইম্বেসিদগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা আই এস আই এস না সিরিয়াবু অমুক হন্না কিহন্নবা তৌরকপা ঙমদনবা নৎত্রগা ইন্টর্নেস্নেল কম্যুনিটিদা এটেকশিং থৌরাং তৌবা ঙমদনবা অমসুং লাঞ্জেন্নখ্রবা সিরিয়ানশিংবু ময়ূম লমদমদা হল্লকপগী খুদোংচাবা পীনবা অমসুং মখোয়গী পুন্সি কন্নবা শেনফম অদু শীজিন্নগনি হায়খি।

শেনফম অদু হৌজিক য়ু এস না শৌগৎপা সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্সশিংনা অয়াম্বা পায়রিবা লম অদুগীদমক লৌউ-শিংউবা, মহৈ তম্বা, লম্বী শেম্বা, অকায়-অতোয়শিং লৌথোকপা অমসুং থক্নবা ঈশিং পীবগী থবক্তা শীজিন্নগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রি।

অৱাং নোংপোক থংবা সিরিয়াদা পীরিবা তেংবাঙগী শেনফম য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ অসি ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মরমদা ব্রুসেলসতা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অমদা সাউদি আরাবিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর অদেল অল-জুবেয়িরনা ৱাশকখিবা অদুগী মতূং ইন্ননি হায়না নিংথৌ পানবা লৈবাক অসিনা ফোঙদোক্লি।

# হোল্লিৱুদ ষ্টার স্কারলেট জোহান্সসননা মালেমগী মনুংদা মমল খ্বাইদগী ৱাংবী এক্ট্রেস ওইখ্রে

***লোস এঞ্জেলিস, আগষ্ট ১৭ ঃ***

ফোর্বস মেগাজিনগী মতূং ইন্না হোল্লিৱুদ ষ্টার স্কারলেট জোহান্সসননা মালেমগী মনুংদা মমল খ্বাইদগী ৱাংবী এক্ট্রেস ওইখ্রে।



মশাগী চহী ৩৩ শুরবী গোহান্সসনগী ২০১৭ গী জুন ১ দগী ২০১৮ গী জুন ১ ফাওবদা তাল্লিবা টেক্স খাইদোক্ত্রিঙৈ মমাঙগী শেনফম অসি মমাঙগী চহীদা মহাক্কী ইনকমদগী শরুক মরি হেনগৎতুনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৪০.৫ য়৹খ্রে।

চহী অসিগী মার্ভেল মুভিগী হিট ওইখিবা এভেঞ্জরস ঃ ইনফিনিটি ৱার দা মহাক্না ব্লেক ৱিদোগী শক্তম লাংখি অমসুং ৱাল্ট দিজনি কোগী মার্ভেল ষ্টদিওদগী পুথোক্কদবা ২০১৯ গী ইনষ্টোলমেন্ট অদুদসু মহাক্না অমুক হন্না কুমগনি।

স্কারলেট জোহান্সসননা এঞ্জেলিনা জোলিবু মায়থিবা পীদুনা মহাকপু য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২৮ দা অনীশুবা রেঙ্কতা ইন্থরমখি।

ফোর্বস মেগাজিনগী রেঙ্কিং অসিদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৯.৫ কী ইনকম ফংখিবা জেন্নিফর এনিষ্টননা অহুমশুবা তাখি। মাগী ইনকম অসিগী অয়াম্বদি ইমিরেটস এয়ারলাইন্স, স্মার্টৱাতর অমসুং এভিনো প্রোমোসনশিংদগী ফংবনি হায়রি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবী এক্ট্রেস জেন্নিফর লোরেন্সনা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা মরিশুবদা লৈ। মহাক্কী ইনকম অসি মমাঙ চহীদগী দোল্লর মিল্লিয়ন ৬ ৱাৎনা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৮ ওইখি। মসি "এক্স-মেন" সেরিজদা মানা কুপ্লিবা রোলদগী মথং মথং চাং নাইনা ফংলকখিবা শেনফমশিং অমসুং খৃষ্টিয়ান দিও কৌবা পেসন ব্রান্দ অদুগী এন্দোর্সমেন্ট কন্ত্রেক্টতগীনি।

মথং মঙাশুবা রেঙ্কতা লৈরিবনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৬.৫ কী ইনকম তানখিবী, মশাগী চহী ৪২ শুরবী রীসে ৱিথরস্পূননি।

ফোর্বস মেগাজিননা খনগৎখিবী মকোক থোংবী ফিল্ম এক্ট্রেস ১০ গী মনুং চল্লিবী অতৈ এক্ট্রেসশিং অদুদি মিলা কুনিস, কেট ব্লানচেট, মিলিসা মেক্কার্থি অমসুং গেল গেদোটনি।

চহী অসিগী মকোক থোংবী নুপী ১০ অসিগী অপূনবা শেনদান অসি য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৮৬ নি। ঙক্লিবদি মমাঙ চহীগী খ্বাইদগী শেন হেন্না পীবী এক্ট্রেস ওইখিবী ইম্মা ষ্টোননি। মকোক থোংবী ১০ অসিগী মনুংদা চন্দ্রে।

# প্রসিদেন্ট হাৎনবা দ্রোন এটেক তৌখিবা মীওইশিং ফাবদা তেংবাঙনবা ভেন্যুজ্বেলানা পেরুদা হায়জখ্রে

***লিমা, আগষ্ট ১৭ ঃ***

ভেন্যুজ্বেলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা থা অসিগী অঙনবদা মিলিটরি পেরদ অমদা ৱা ঙাংলিঙৈদা মহাকপু হাৎননবা থৌরাংদা দ্রোন প্লেন অমা লেন্দিং তৌশিল্লক্তুনা পোকখাইহনখিবা এটেক অদুদা চেন্নবা ভেন্যুজ্বেলান সিটিজন অনী অদু ফাবদা তেংবাঙনবা লৈবাক অসিনা পেরুগী পুলিসতা হায়জখ্রে।

মিলিটরি পেরদ অমদা এক্সপ্লোসিব হাপ্পা দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা লেফতিষ্ট লুচিংবা অসি হাৎননবা হোৎনৈ হায়বগীদমক ভেন্যুজ্বেলাগী গভর্ণমেন্টনা ওপোজিসন পোলিটিসিয়ানশিং অমসুং মপান লৈবাক্তা লৈবা মাদুরোগী মায়োক্তা লৈবা এক্টিভিষ্টশিংবু মরাল শীখি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবগী চিংনবা লৈরবা অৱাংবা থাক্কী মিলিটরি ওফিসার অনী হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফাখ্রে। হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ১৪ ফাখ্রে। অদুবু লৈবাক অসিগা য়ূমথংনবা কলম্বিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা অতৈ লৈবাকশিংদা অতৈ মীওই কয়া চেন্দুনা লৈখ্রে। মখোয় ফাবা ঙমদ্রি হায়না ভেন্যুজ্বেলাগী ওথোরিটিজনা হায়রি।

কারাকাসতা লৈবা পেরুগী এম্বেসিনা ভেন্যুজ্বেলাগী প্রসিদেন্টগী মথক্তা চখরকপা এটেকনি হায়বা অদুদা চেন্নৈ হায়না লৌবা লৈবাক অসিগী সিটিজন অনী অদু ফংনবা থিবদা লৈবাক অদুগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়জরকখিবা অদু য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ফংলে হায়না পেরুগী মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

করিগুম্বা মীওই অনী অদু পেরুগী মনুংদা চঙশিল্লম্বা তারবদি মখোয়বু কদায়দা লৈ হায়বদু থিদুনা পুথোক্কদবা মরী লৈনবা পেরুগী ওথোরিটিজদা পাউ অদু খূৎশিন্নখ্রে হায়না পেরুগী মিনিষ্ট্রিনা মখা তাখি।

অদুবু নাকল অমরোমদা প্রসিদেন্ট মাদুরোগী মায়োক্তা লৈবা, মাগী পোলিসিশিংবু য়াদবশিংনা ফোঙদোকপদা ইনফ্লেসন ৱাংখৎহল্লিবা অমসুং পৱার ফংহন্দ্রিবা ইকোনোমি ক্রাইসিস অসিগী মরক্তা মাদুরোনা থাউ মরাং কায়না থোকপা লৈবাক অসিদা মাগী শক্তিগী য়ূম্ফম চেৎশিন্নবা অমসুং মায়োক্তা লৈবশিং নমথনবা দ্রোন এটেক্কী ৱাফম অদু শীজিন্নবনি হায়রি।

## GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : 20/07/18
Valid : 12/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 29/05/18
Valid : 27/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 08/06/18
Valid : 02/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 20/06/18
Valid : 19/06/18
Sl. No. 2221 upto 2740
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 24/05/18
Valid : 22/05/18
Sl. No. 14300
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 16/07/18
Valid : 22/05/18
Sl. No. 20164
Stk : 306

**Misao Gas Service**
Booking : 29/06/18
Valid : 19/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 21/06/18
Valid : 18/06/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Canchi Gas**
Booking : 02/07/18
Valid : 30/06/18
Stk : 612/15kg Available
Time : 08.00 to 10.30 a.m
Rate : Rs. 907

### সনা-সুদোকু -১২৬৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 1 | 2 | 8 | 7 | 9 | 6 | 4 |
| 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 3 | 8 | 5 | 1 |
| 6 | 8 | 4 | 9 | 5 | 1 | 2 | 3 | 7 |
| 4 | 5 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 7 | 3 |
| 1 | 7 | 8 | 5 | 3 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 2 | 1 | 8 | 5 |
| 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 5 | 3 | 9 | 8 |
| 3 | 1 | 6 | 7 | 9 | 8 | 5 | 4 | 2 |
| 8 | 9 | 5 | 3 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1264**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | | | 6 | 4 | 7 | |
| 2 | 1 | | | | 5 | | | |
| 6 | | | | | | | | 5 |
| | | 7 | 3 | | | 9 | | |
| 4 | | 5 | 6 | 8 | 1 | | 2 | 3 |
| | | | | 9 | | | | |
| | 3 | | | | | | | 1 |
| | | 6 | 9 | 7 | | | | |
| | | | | 4 | | | | |